অমাম্না থোঙ্গনো পুন্না লাইনা হাকংলক্রে। থোই পুন্না লাইনা ঙং-জোমদে। হে লাইরিংথৌ! থৌরাই ঐখোয় চৈবা ওনরে, করম তৌনিগে? মুরানিংথৌনা হায়রে। হে অশিবা!! নংনা লেপ্লা হক-চাংদে, নংনা লাইবক্তা লৈবা, পনম নিংথৌনা হায়রক্ত!! অশিবনা খোংশানলকয়ে; পময় নিংথৌনা বাহোমদে। হে লাইরিংথৌ! ঐখোয় লৈবা য়াদ্রে করম তৌগনিবা? খাম্বী মৈহৌরে। যাক্‌ং করম, লাইজা চাওরে; মহুনা লাইরিংথৌনা হায়রে। ঐনা লাইজা পীগে, লাইজাগী মিংথৈনা 'র' কৌরে খাম্বীগী মিংথৈনা 'হ' কৌরে, মালপ্পী মিংথৈনা 'স' কৌরে সঃ রঃ হঃ হায়না থাম্‌জো তারকনা হলবাইরকদে। লাইবা শোরে, মিহুল পুন্না হরে; অহুনী মিহুলজা হয়িনদি ভাইথো হায়। মৈচারুদি করকপনা লৈবা ওনরে, মিহুলনা মিকপখিরে।

চেক্লা পাইথরবনা পোনবী হঙ্গিনলকপদা চেক্লাগী কাইদোংকম থংদবনা, পোনবী কোইঙাওনখরে। অসি হায়না মিকপখি। অসিদা অশিবনা খাঙ্গে:—নবাথোই মুবাথোই হৌনসে শানৌ নং থোইরাংহৈনো অহকপা বাবু লৈব্রিবনে, য়ারোদগী শাতাইনা মচি কেক্র থোকজিরে, লমাম্বুংগী কাকৈনা মনা হমাই শাদরি, তোকপদগী ওমুনা থোইজু তোলোক চিনদরি, কোংদগী ও-থানা পোলাং কানপ লাঙরি হুকনা মপাল শাদরি, লোরেনু থোরক হায়রুমদে। খাম্বদা মিহুলশিংজো যাবা থানেরে। অশিবা লাইনা হায় মৈচাক থাংবা ওনদহনা, অমুক হৱি মথোংথাদা য়িনজাররে। পরম মথোংথরীগী পুনেন্নে। হে পদ্মো! নবাই ঐখোয় লৈবা ওনরে হায়না হাকললবদা, যাদা য়েংগে নিংদে। হৱি পনমনা চাপ্পা চীবৈপ শাবাক নেংপদা পৈত্রে পুন্না ওনরে। হৱিজো মিকপলে... যানী দিমা [illegible] চেক্লালনু তাইবং পোকমনা পিক হায়না কৌরে। অতুনী হৱিনী [illegible] খাওমেলরে। [illegible] পাদরি। নংগী নংগী [illegible] [illegible]

লৌকয়ো, চফলসি খৌশিরক্রে। অহনোংবগী হয়ছুনা লৌকসবু, মক-লবয়াংগজাক হায়না কৌরে। তুনা য়েত্তগী কোজো লমদা লৈথখয়ে, তাইবগী লোইনা থা-হু লৈথরে, হকচাং হুমিং ত্তারে। লৈমরেম শু-জাখৈ, য়ারজ্রবদা কোংয়াং বা-পিহনা কাংলেমলে; মুবা নিংথৌবা মৈ, লিলিং, মুংলিংমা কাংখোং ওইনা শেমলে, ময়াইদা থাপলদা থাথাদি ওইরে, মুবা নিংথোগা লোইনদনা খৌবাই মিহুল পুক্লমক তাংথ-রে, মেৎগী থুগাদা মেৎবা খোমথাদা মিহুল কাওরে; তুশলে অকন্না হইমরধু লাইমনিংথৌনা পায়রে, অয়াংবনা য়াইমক পায়রে; লৈম-মৈদমা থমমা য়াংবগী তুমবগী অরুমবু কৌরে; কাংদি চগোৎ নমথা ভাকথদা থারে। থকাইদি মাগী মাগী মথমদা তিনজনা নোংগাথে। তুবাং লৈকোইবা মঙ্গমা তুংগী নৈবমদি অহল মাক্তা হৎলো অরেংবা মশক থংগনি, পুক্লিং লৌশিং চাওগনি, এনা লিরক্লিবা, নঙ্গা হংখিরা পাওজংনা য়াম্না কুপনা তাকপা য়াদ্রি পাওহং লিচৎ হৈজবদি তাক-হৈদেয়ে, মহুদি পাম্বন। থংজনিংবা খম্মোই শেংবা য়েংদনা হনশিংনা ভাকইবরে তুবাং লৈকোইবা।

মঙাং লাইনিং হনবদা তুবাং লৈকোইবনা। তাইবং শিবা থমহুং কিকোইগী বাবু হংজয়কই; মঙাং লাইনিংতমনা কায়থিয়ে। এখোয় তাইবংপানবা অনিদা, হেক চিংগুলুম্বা শোইমুম মঙাইবন্না কাকনা ভৌরাং ককচা ওয়ে, চোমলাং কাওবী মনা নিক্লে; অহনগী খোমা থমহুং কিকোইনা খেমদোক্লকপনা ওমহুনা ভাইরকপনা শং কৌরে। অংগী মহুংগী থৌরাইনা খোরকপগী কিকোইনা য়াংগোইরে। থমহুং কিকোই অহু লী লী অহুগী য়াননা শাওজ। তুগীনা লিপা শাম, লিপাগীনা তুগী শাম, অঙাংগীমা পজেম পহৌ শাম লোংমান লাইবা পিরেগী হৈনা ভাওজিং কিংখিবা শামম পাইরে, শিজজেল হয়ৈনা অঙবগী লৈরাং শামা পাইরে, ভাওজিং লাইজ হিজজেল চিরো হনবা খেংকলে অনাবদা, হেক চারু চিংগ্রবদি শিয়োইরে। চাক লিংহৌগী

শিংগুম্মি, চাহুননোংগী থেমলকপনে।

তাইবং মীনা শুমাং মথৌ পুংদা শংগী মমুংদা চামলৌ লা-না মাইথা ওই, লফু মতুপ্পা মোনলাং ঙাইখাংননা, কৌবা য়েনশম চারাং মানবা শমলাংনা লেংদোন লেংপাক ঈচাই চাই, অঙৌবা লোংনা তারবদা য়াইবী অচুনা তাইবং থাদোক্লবদা কিকোই চংলক্লে। শিঙঙেল তাওজিং পায়দনা কোল্লোই মপাও মেল্লকই। ইমাগী ইবুংঙো, ইমোম লাংলেন ইবেম্মা, পারি ইমোম নখোয়দি লমদম কৈদা য়াঙ্গোইরু-বনো, পলেম ইমানা খোংগুন লিরকপনে, পারি নখোয়বু ইমানা তাওজিং পুরক্লে, শিঙঙেল লৈরাং পুরকই চারলাও। পারি ইমোম নখোয়দি তিংনা য়াংদা পক্লেনা, তরা চাকপু চাত্রবরা, শংলৌ য়েনশাং নিংথিববু চাত্রবরা, লাও চারো-থক্রো ইচাশা ইমানা তাওজিং হৈয়্যাং পুরকই লাও। শিঙঙেল লৈরাং পুরকই, খুজেং পায়দনা চিংথংলে, কিকোইনা থাখল তৌরকই। খোইয়ুমগী নোংদমদগী ঐনা মীনমদনা নাউবা পুবা অসিদি পলেম কায়নহনবা অসিবু অপকমা লৈবরা, নাউবা নং বারৌগম্ভু হায়না শোল্লমলগা পুদবদি য়াত্রে মমা মচা কায়নবগী খল্লুরগা নাউবাবু শৈথাদনা কপলকই খমনুং কিকোইনা।

ইমাগী ইবুংঙো, লাংলেন নংবু চংলকও। ইমাগা য়াংগোইরসে ইচাগা মরম লমলেন মদায়মা লনহামবুংগী কৈথেল কারুসি। থানদং শিংজু চারুসি নাউবা খুজেং পায়দনা নাউবা য়েংনা মিকপল্লক্রে। মপুগী কোল্লোই হেনকদবগী তাওজিং পীজরে। শিঙঙেল চিলহল্লে, লনহামবুং কৈথেল কাহল্লে। থানদং শিংজু পীজরে। খমনুংগী পাওখোন ফংলবদা নাউবা য়েংদনা হায়রকই। হে নাউবাখোয় ! তাইবং নখোয়সে, পংমল্লে পম্মৌ নত্তনা পম্মৌশা, পলেম নত্তনা পলেম শাববু পম্মৌ পলেমনি হায়দনা তাওজিং চা শিঙঙেল চিনবনে, নখোয়দি খমনুং খোন কংলে অমং-শিংগুমলেদনা, অচং খোংথিলে, অশি খোংহাংলে, তাইবংদা হনবা থাবরোই। ঐদি খমনুং কিকোইমি নখোয়না হনগে নিংলগা পলেমগী

লমদম খিজখোও, হায়বা কোক্রোক্ত ভাকনা মাউবাশিংনা অর্থি পুরুনি চংনরি কোইনা য়েংবদা শিংতমলকপা অক্লশিং মীয়াম উবে। মাউ-বাশিংনা অহলশিংগা বাহ্নলক্রে। হে পত্রেমথোম ! তাবিহু নমেলী মবঙল পবেঙ ইমা কাম্বরিবদা তাকপিয়ু, হায়না কয়লে। অহলশিংনা মাউবাশিংদা হুৎশিনা জাকরকই মাউবা শিংতম্বশিংও। অহানজমাগী হৈয়াং মাহে চরিউগী থোইব্রুবদা পুথা মায়বা ওয়া শিজবগী কেথম হুইবথনি, অমমরিংগুমনি খাংঙৌ লমদাং মিরকপাগা মাইনা ইথৌনাং খোমলাং ঈথৌশাংবগা অমা হুইবোন লাংজবদা থমজুং খিকোইদা বা-য়েংখলক্রে।

হে পত্রেমথ॥ ঐখোয়বু পলেমগী খোমলাং ঈথৌ লাংজে 'খোমলাং শিংতা থকচগে॥ অলেমগী নৈথম তাকপিয়ু হায়রদু হে মাউ-কাখোম অহৈনং লমদাং মুংথৌজ, তাকপা মনশ্রোই অহৈবগী লমদাং লাকরবা কিকোই লাংথে; মাউকাশিংদো অহল শিংতম্বশিংনা উচেং, নাইবীরক্রে। মাউবাশিংগা কম্মি হে পলেম ইকোয়া লমদম ইথেমা হুলচহৌরমনো, খোংবা খীকানবাই শাংথৌগী শখাই কাকুম মল্লিগুবা শংলাং নিংবু মপু লৈতবা শং তইরে। তেরাগী কাহয়া খোমচেল্লা নিয়মবু চৎলী লাংথোমগা তকু মথুপকা তইরমে। কনাগা থোমাংবিবমো কপ-লাখাই। পলেম ইথামা থমবরু থমজুং কিকোই থইরম। পন্থ ইপ রা হায়বনু খোংজাক লাইগী-মনাই হুইরমে। পালী মথুবো লৈমিনজমা খাং-খোইবন্থ চত্রু-মালং থইরে, মরাইগী থংগে পলেমগী খে মলাং ঈংগৌ লায়খে থেনু, লমহাম্বুংগী নৈখলদা মিকপাথি, অহল মরুকা কবা কবা খাংগোইরক্রে। খোমজাংলনা বাংলে; পঙ্ঘৌ পলেম তাকপিও নমোয়েনা লাংগে বিকা ঐখোয়দু শরা সুবিহু; পুথিবাই কুমকা পলেম নৈথম তাকপিয়ু হায়না মিকপলে। শিংতম্বকপা অহলশিংনা নমরক্রে, থৌইজৌ ঐখোয়বু তাইবংদা পাংথি হুইরমে নৈথৌবিনজমা মাংলগা মাউবা থেমমা লাহুলরকল, মীথৌবাদা চাথি হায়বা লমদাং

[illegible] পুবিক্তে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]. [illegible]
থানা চাওবনা লৈবা মাইপৈদা পুম্নমক চংলক্লে, লাংগোক [illegible] [illegible]
য়ৌয়ে, উগ্নি লমদাং থগ্না লাক্লগা থোংজাক লাইরেম্মা য়ৌরে ; থোই-
মোম মথোংখাদা তাওজিং হৈরাং লৈরাং কৎলে, থোইয়ুম কাংথোং পামরে,
লাইরেম্মনা অশিবশিংদো কৌরক্লে। পাগ্নি ইমোমশিংও লমশাং লাক-
পদগী লাইজা থৌরাংরিগনি থুকলোল্যও অহলশিংদি থক্লে, হে নাউ-
বাখোম্ ! নখোয়দি করিগী লাক্তিবনো ? হে পলেমও ! পলেম
শেংলনোংগী নাউরা পুক্রিং [illegible]। হে পাগ্নি ইমোমশা ! লাইজা
থক্লোল্যও বরিগী য়াদবনো ? ত্নাইবং লমদাং হনবা য়ারয়োই, পলেম
নত্তনা পলেমশা, পম্বৌ নত্তনা পম্বৌ শাববু করিগী লৈরাং চিনবনো ?
[illegible] করিগী চাবনো ? [illegible] থোমজাং [illegible] [illegible] অহলগী
[illegible] লোইবী [illegible] [illegible]. [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোইবী [illegible] [illegible]
[illegible]। থোংহাম্মলাং [illegible], থৌহ নুংশাক [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]। [illegible] চাক্কর লোইবী চাংশাং [illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible], পুক্রিং মুংওনখি, [illegible] মকুই [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible] [illegible] তাইবংপানবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]-
[illegible] তাইবং য়োর [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]রে।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] হয়া [illegible]
[illegible], [illegible] [illegible] থোংথিংবা [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] শাজী [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]-
[illegible] [illegible]। [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

লাংওন য়েংদনা খমসুং কিকোইনা তাইবংদগী লাম্নবা শাইরোনচনা শিহোং শিল্লি।

মং.ং মথং

ইরুম নিংথৌ অমসুং হৌজিক লৈরিবা ককচিং খুনফম

অইবা :—নোংমাইথেম মনাওয়াইমা সিংহ
ককচিং খুলেন, মোইরাংথেম লৈকাই।

হৌজিক ককচিং খুলেন অমসুং বাইরিনা লৈরিবা খুনফম অসিদা ইরুম নিংথৌ হায়বা লাই (উমং লাই) অসিনা খৃষ্টগী মমাং চহি লিশিং খরগী মমাংদগী লৈরকলে। মফম অসিদা (খুনফম অসিদা) খুৎকন পাঙ্গলবদা অমসুং বাশক চেৎপা হায়নখিবা বাফম ঙাকনা চৎপদা অরিবা ইতিহাসতা মমিং চৎলম্বা হৈরেম খুনজাল হায়বা কাংলুপ অহুনা খুন্দারমই। মখোয়না লৈরম্বা লমগী পাক-চাওবদি, ককচিং খুলেন অমসুং বাইরিগী অকোইবদগীনা ককচিং খুনৌ অমসুং উমাথেল ফাওবা শন্দোক্লা খুন্দারমই। হায়রিবা কাংলুপ অসিনা লাৎচরম্বা লাইসু ইরুম নিংথৌ হায়বা উমং লাই অসিনি। লাই অসিগী হরাওবা অমসুং হৈকৎ লৈকৎনচিংবগী থেংোন শৈশক্কী অহৌবমক্তা অসুম্বা হৌই :— "....গুরু....ইরুম নিংথৌ লমমাবা. হৈরেম লমঙাকপা, খুনজাল লম-শেনবা। হৈরেম পুংমথোন মথক্তা পুংমথোনবা, খুনজাল থেলেম্মা মথক্তা থেলমা খেৎপা লাইনিংথৌ...." লাই অসিগী থেংোন শৈশক্তা অসুম্বা শৈছৌরিবা অসিনা তাকপদি হৈরেম খুনজালনা লাৎচরম্বা লাইনি হায়বা মশাবা তারে, অহুগা লাই অসিনসু হায়রিবা কাংলুপ অসিবু য়াম্না মুংশিবিরমফম থোকই। লাই অসিনা ঙাকপি শেনখিবা ওইরনিমা

মংখায়রম্না অথৌনা মরিংজেম ঙম্বা অমগুম্মুং রাশক চেংপা ওইরম্বনি হায়-বসু থংবা ওমলে।

ইরুম নিংথৌ হায়বা লাই অসি মণিক মণ্ডপ য়ান্না লৈবা লাইনি। মিংথৈ (মমিং) সু য়াম্না য়ামই। এবু পোক্পা পথৌপা থম্বীরগী অস্নিবা লাইরিক্তা মথাম্না মিংশিং অসি লৈরম্বই। পৌংলেনহনবা, পোংলেন খোম্বা, তাও মল্লাংবা, তারাঙবা অসিনচিংবা। হৌজিক খায়না থংনরিবনা 'ইরুম নিংথৌ" হায়বা মিং অসিনি। মথক্তা মিংথৈরোলশিং অসি নাওরেম অমুয়াইমা সিংই, পণ্ডিত অচৌবনসু তাকপি। লাই অসিগী মরমদা হৌজিক কাওবা মীয়াম্না হায়নবা অমনা 'ইরুম নিংথৌদি লায়বনি, মনাই কুম্বী তাবনা হেন্না লুবনি।" পাওরো অসিদগী থংবা ওম্বদি মথক্তা হায়রিবা লমথৈ অসিত নত্তনা বাংউ কুম্বী কাওবনা লাই অসিবু নিংজরম্মই হায়বা থংবসু ওমই।

লাই অসিনা খুনকম (ককচিং) অসিদা লৈরকপসি কয়ামুক কুই-রবনো হায়বগী মরমদা অথং অইই অমস্তুং অইল লমম্না হৌজিক কাওবা হায়নরিবা অমনা "ইরুম নিংথৌদি খুনকম অসিবু শেম্লগৎপিরকপা লাইনি।" মরম অসিনা কক্‌গুম্বা শা-লালদগী খুনগাইরবসু অতৈ লাই খমলাংবা, অনি (বাইরি অমস্তুং খুলেনবা) লৈরিবা শেংমাই নিংথৌ, ইথক নিংথৌ, নাওহলনচিংবা লাইশিং অসিদি খুনকম অসি থাদোক্তুনা হায়বদি পুন্নুনা চংখিবা (লাল চেনখিবা) য়াই। ইরুম নিংথৌদি খুনকম অসি থাদোক্তুনা চংখিবা (লাল চেনবদা পুন্নুনা চংপা) য়াদে।

মথক্তা হায়রিবা বাফম অসিগী চপ চাবা খুদম অমনা হৌখিবা অনিগুবা লান্নাও (জাপান লান) বা ককচিংগী মী ময়াম্বনা অতৈ লাইশিংগা কোম্না চেপ্রকা মতমদা. অথেংবা অহিংদা অপোকপী পাজের কমলা দেবী (ইরুম নিংথৌ লাইশংবী) না লাইকোন্দা চংন্নুনা কপ্পদগা থাংখি।" মতৌ অম্ব উবদা ইমুং মসুং অমস্তুং লাই অসিবু নিংজবা মীওই কয়াগা লোয়ননা লান চেনবা য়াওজবা থাংখি। থৌজোক

অসিগী ইরুম নিংথৌদি খুনরুম অসিগী অরুবা লাইনিং মরুবা থংবা ওমই।

মুখরা হায়রিবা ইরুম নিংথৌ নত্রবা লাইনিং অসিদি খুনরুম অসিদা, লৈরবা হায়রগী সেবা তৌথিবা চহি লিশিং শুবা কাই অমত্তা য়াওরে। খুমলাংবুদি রৈত্তৈ নিংথৌ গম্ভিরসিংহ মহারাজগী মতম কাওবা বাবু জোতেন্দ্রজিৎসিংগী মীশিংগা লোয়নবা পলেনগী মোংচুপ থংবা কেরেজিং হায়রিবা মকম অসিদা লৈরমই। ইথক নিংথৌসু কাংলুপ অসিনা থৌরাংদা রৈত্তৈদা কাংজে শারবগী থোকথিবা লাইনি। নাওহলসু নাওয়েম শাগেগা লোয়নরকপনি। শেংবাই নিংথৌসু সে-ত্রিময়ম শাগৈনা পুরকপনি। ইরুম নিংথৌদি খুনরুম অসিদা লৈরকপা চহি কয়ামুক কুইরবনো হায়বা অহু মখল্লা চাওরাক্লা পনম্মে। মখাদা ইরিবা অসিদগীসু খংবা ওমগনি।

কাংজেরোই অমা ওইনা ইরুম নিংথৌঃ—থোইয়ম খুম্বে-ক হৌওবা মতুংদা লাইয়াম্বনা কাংজে শারখি। কাংজেরোই ওরামরিনি। মখাদা লৈবা কাংজেরোইশিং—(১) খাজৌং, (২) খমলাংবা, (৩) ইরুম নিংথৌ, (৪) ইকোপ নিংথৌ, (৫) ইরোং নিংথৌ, (৬) নোংশাবা, (৭) পাখোইবা। অমা লৈবা কাংজেরোইশিং—(১) খাংজৌং, (২) থোইরিকয়াম, (৩) রাংরেম, (৪) য়াজোই নিংথৌ, (৫) ময়ল লাকপা (৬) একনরেন, (৭) লোয়ামাকপা। লাইশিং অসিদি হয়িচক্কী লৈরক্লা লাইনি হায়বা অরিবা লাইরিকশিংদা শাক্লিনি।

মাইকৈ ঙাকপা লাই অমা ওইনা ইরুম নিংথৌঃ—মাইকৈ ঙাকপা লাই নিপাল (৮) গী মতুংদা ইরুম নিংথৌনা থাকৌবমদা ঙাকুই। মৈকৈগী অরিবা মমলেনপনোম খুবা "লৈথক লৈবা অমসুং খুমলাংচিংবনা ঠিরিবা মাইকৈ ঙাকপা লাই নিপাল (৮) — (১) থোইরাম লাইরিক—চরু মরীখল, (২) লৈতমবা—মাও মরীখল (খ্রীষ্টাব্দ লৈবশিং

অমঙা—মং মরীংবা, (৪) অবাংদা—কনা 'লৌখনা' ডাক্রে, (৫) খাদা—তুম্বু ঙাক্রে (৬) নোংপোক্তা—ভৌনা ডাক্রে। অসিনচিংবা লাইশিংনা ঙাকলপকা শিংগা ওমতরে, লৈথক লৈখা, পুক্তিনথকু মাক্তে। মৈয়ম ঙাকলদা লৈথক লৈথানা তাঙ মরীংবা হায়বা অসি পুক্তিন্না তাঙ মরেংবা হায়। লাইগিক অনি অসিনু "া" আকার অমসুং "ে" একারদা থেক্রে। বনান অসিনা মূলদগি থেগহনবা ওইদে। হায়বদি তাঙ-মরীংবা হায়রবস্থ নত্রগা তাঙ-মরেংবা ইয়বস্থ লাইদি মশা অমতনি হায়না অহুম থংনে। মথক্তা পনখ্রিবা ইরুম নিংথৌগী মিংথৌ (মিশিং) গী মনুংদা তাঙ-মরাংবা অমসুং তারাঙবা হায়বা মিং অসি ওইকম থোক্তবরা অমূক্তা য়েংসি "তাঙ-মরীংবা, তাঙ-মরেংবা—তাঙ-মরাংবা—তারাঙবা" তাঙ-মরীংবা, মত্রগা তাঙ-মরেংবা অসিনগী খ্রীওইবগী লোল থৈথরক্তুনা তরাঙবা হায়বা অসি ওইরকপা ওইগনি হায়বা অসি মর্ণাজা তাজরে।

রাজকুমার সনাহলনা ইবা "সংজাল" কৌবা লাইরিক্তস্থ মাইকৈ ঙাকপা লাই নিপাল—(১) নোংপোক্তা—নোংপোক নিংথৌ; (২) মৈয়মদা—ইরুম নিংথৌ; (৩) খাদা—খাংজ্রেন; (৪) নমখোংদা—থাংজীং; (৫) নোংচুপতা—থোংরিকাবা; (৬) কৌব্র লাইচিং—লোইয়ারাকপা: (৭) অবাংদা—মার্জীং; (৮) চিংথৈদা—চিংথৈ নিংথৌনা ঙাকই হায়না পিরি। হায়রিবা লাইশিং অসি মতম অমত্তগী লাইশিংনি। কাংজেরোই মক্তনি। মথক্তা হায়রিবা লাইরিক "সংজাল" দা ইরুম নিংথৌদি মৈনি হায়না অমূকন্ন পিরি।

মৈ কৌবা লাই ইরুম নিংথৌনা ককচিং থুনকম অসিদা লৌখ-ছনা খা মৈয়ম ঙাকপদগী মনিপুরনা খা মৈয়ম হায়বগী মহক্তা ককচিং মৈয়ম হায়নদনি। মৈ কৌবা লাইনা মৈয়মদা ঙাকই হায়বা অসিদি লৈতেংলীয় লাইরিকশিংগনা হায়বা নত্তে। শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরাণস্থ কন্ধ-ওন ১২খানদহায়রি ৭' শ্লোক অসিনা মথা ডাঙা হ'রবা মখেনা,

মৈদা খোয়ম্নগী শক্তিম্ন লোয়নৈ হায়রি। ইরুম নিংথৌদি মৈ কৌবা লাইনিংনা-বাক শক্তি (বাগ ইন্দ্রিয়) গা লোয়নবা খোঞ্জেলগী মপুংগি হায়রা অসিম্ন ময়েক শেংলে।

মৈ কৌবা লাই (ইরুম নিংথৌ) হৌজিক কনানা লেবা তৌরি।

মৈ কৌবা লাই (ইরুম নিংথৌ) হৈয়েম থুনজাল হায়বা কাং-লুপনা লাংথমই হায়না মথক্তা পনখ্রে। হায়রিবা হৈয়েম থুনজান হায়বা কাংলুপ অদুগী মনুংদম্ন য়ুমনাক শাগৈ কয়ামুক লৈরমগদি। লাই অসিগী সেবাইং ওইরকপা (লাই শঙ্কবগী থবক তৌরকপদি) নোংমাইথেম শাগৈগী শিবাতনা তৌরকই। হৌজিকম্ন শাগৈ অসিগী শিবানা তৌরি। তুংদম্ন তৌগনি। থায়নদগী চৎনরক্লিবা পরম অসিগী হোংদোকপা য়াদবা মরম কয়ামুক লৈ। নোংমাইথেম শাগৈগী শিবানা লাই লেবা থারনগী তৌরকই হায়বগী খুদম অমম্ন্ং প্রমান কয়ামুক লৈরি। হৌজিক্তি লাই অসিগী চহিগী ওইবম হয়াও কুমহৈদা শাগৈ ১২ (তরানিথোই) অমম্নং শাগৈ ১২ (তরানিথোই) অসিগী নিংতোল অমদি নিংতোল মবাশিংগা লোয়ননা চহিগী থৌরম পাংথোকই। হয়াওকা নত্তবা অতৈ থৌরম পুমমক্তা নোংমাইথেম নত্তবা শাগৈশিং য়াও-নরক্কে; হৌজিকম্ন য়াওদে। × × × ×

পাখংপা লম্মেল

ময়াম-চা বুদ্ধিচন্দ্র

পায়খংপা লম্মেল্গী বাপু হায়রক্কে। [illegible] মপুং অম-মপা সিজপনা হায়রক্তুনা। সিজপা লাইমা চাকলো মপীমুম [illegible]

মংগ্নায়না মথোনা মরিংজেন কুবা অমত্তুং যাপক চেংপা ওইরম্বনি হায়-বম্ম থংবা ওমলে।

ইরুম নিংথৌ হায়বা লাই অসি মন্তিক মণ্ডপ য়াম্না লৈবা লাইনি। মিংথৈ (মখিং) সু য়াম্না য়াময়ই। ঐবু পোকপা পম্বোনা থবীরপা অরিবা লাইরিক্তা মখাগী মিংশিং অসি লৈরম্বই। পোংলেনহনবা, পোংলেন খোম্না, তাও মপ্নাংবা, তারাওবা অসিনম্রিবা। হৌভিক খায়না খংনরিবরা 'ইরুম নিংথৌ" হায়বা মিং অসিনি। মথক্তা মিংথৈবোলশিং অসি নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ, পণ্ডিত অচৌবনম্ভ তাকপি। লাই অসিগী মরমদা হৌভিক কাওবা মীয়াম্না হায়নবা অমনা 'ইরুম নিংথৌদি লায়বনি, মনাই কুম্বী ভাবনা হেন্না লুবনি।" পাওরো অসিদগী থংবা ওঘদি মথক্তা হায়ম্রিবা লমথৈ অসিত নত্তনা য়াংউ কুম্বী কাওবনা লাই অসিবু নিংজরুমই হায়বা খবেম্ভ ওমই।

লাই অসিনা খুনফম (ককচিং) অসিদা লৈরকপসি করামুক কুই-রবনো হায়বগী মরমদা অথং অহে অমত্তুং অহল লমম্না হৌভিক কাওবা হায়নরিবা অমনা 'ইরুম নিংথৌদি খুনফম অসিবু লেমগংশিরকপা লাইনি।" মরম অসিনা করিগুম্বা শা-লানদগী খুনগাইরবম্ভ অতে লাই থমলাংবা, অনি (য়াইরি অমত্তুং খুলেনদা) লৈরিবা শেংমাই নিংথৌ, ইথক নিংথৌ, নাওহলনচিংবা লাইশিং অসিদি খুনফম অসি থাদোকুনা হায়র্বদি পুহুনা চৎখিবা (লাল চেনখিবা) য়াই। ইরুম নিংথৌদি খুনফম অসি থাদোকুনা চৎথিবা (লাল চেনহনা পুহুনা চৎপা) য়াদে।

মথক্তা হায়বিবা য়াফম অসিগী চপ চাবা খুদম অমনা হৌখিবা অনিগুবা লান্দাও (জাপান লান্দ) কা ককচিংগী মী ময়াম্বনা অতে লাইখিংথা কোন্ননা চেংপবা মক্তদা, অথেংবা অহিংদা অপোকপী পক্সেম কমলা দেবী (ইরুম নিংথৌ লাইশংবী) না লাইকোন্দা চংহুনা কপরমা খাংখি। মক্তো, অহ উমঙ্গ ইরুং মম্ভং অমত্তুং লাই অসিবু রিংজবা মীওই করাগা লোয়ননা লাম্না চেনবা য়াওদনা খাংখি। খৌজাক

অসিদগী ইরুম নিংথৌগী খুনকম অসিগী অরুবা লাইনিংথৌরবা খংবা ঙমই।

মথক্তা ফাওথিবা ইরুম নিংথৌ নত্তবা লাইনিং অসিদি খুনকম অসিদা লৈরবা হায়রবদি সেবা তৌথিবা চহি লিশিং শুবা লাই অমত্তা য়াওদে। খবলাংবদি খৈতে নিংথৌ গরিবনিৱাজ মহারাজগী মতম ফাওবা মাকু লৌরনরকপা মীশিংগা লোয়নবা পলেনগী নোংচুপ খংবদা কেরেজিং হায়রিবা মফম অসিদা লৈরমই। ইথক নিংথৌসু কাংজুপ অসিদা থোবালদা লৈরিদুদা কাংজৈ শাৱবদগী থোকখিবা লাইনি। নাওহল্লসু নাওরেম শাগেগা লৌরনরকপনি। খৈংমাই নিংথৌসু কৈত্রিমনুম শাগেনা পুরকপনি। ইরুম নিংথৌদি খুনকম অসিদা লৈরকপা চহি কয়াসুক বুইরবনো হায়রবা অত্তু মখক্তা চাওরাক্লা পানথে। মথাদা ইকিরা অরিদগীসু খংবা ঙমগনি।

কাংজৈরোই অমা ওইনা ইরুম নিংথৌঃ—থোইয়ম খুম্বেক হরাওবা মতুংদা লাইয়াবনা কাংজৈ শাথি। কাংজৈরোই তরামথিনি। মখা লৈবা কাংজৈরোইশিং—(১) মার্জীং, (২) খমলাংবা, (৩) ইরুম নিংথৌ, (৪) ইকোপ নিংথৌ, (৫) ইরৈং নিংথৌ, (৬) নোংশাবা, (৭) পাখোইবা। অমাং লৈবা কাংজৈরোইশিং—(১) থাংজীং, (২) থোইরিকাবা, (৩) থাংত্রেন, (৪) য়াঙৌই নিংথৌ, (৫) নম্বুল লাকপা (৬) শুকনরেন, (৭) লৌরারাকপা। লাইশিং অসিদি হয়িচক্তগী লৈরকবা লাইনি হায়বা অরিবা লাইরিকশিংনা শাকিনি।

মাইকৈ ঙাকপা লাই অমা ওইনা ইরুম নিংথৌঃ—মাইকৈ ঙাকপা লাই নিপাল (৮) গী মতুংদা ইরুম নিংথৌনা থা-মৈরমদা ঙাকই। মৈতেগী অরিবা লাইথোকলোন পুয়া "লৈথক লৈথা অমসুং পুঙভাচিংবনা শাথিবা মাইকৈ ঙাকপা লাই নিপাল (৮)—(১) লোইয়াং লাইচিং।—চকি ময়ীংবা, (২) কৈয়মদা—ঙাও মরীংবা (৩) লেংশাং

লমদা – মং মরীংবা, (৪) অবাংদা—কনা লোমনা ঙাক্লে, (৫) খাংদা– তুমু ঙাক্লে, (৬) নোংপোক্তা—ভৌনা ঙাক্লে। অসিনচিংবা লাইশিংনা ঙাকলপকা শিংপা ওমতরে, লৈথক লৈখা, পুতিনগুম্ মাগৈ। মৈরম ঙাকপদা লৈথক লৈখানা তাও মরীংবা হায়বা অসি পুতিম্না তাও মন্নেংবা হায়। লাইরিক অমি অসিগুম্ "া" আকার অমসুং "ে" একারদা খেন্নে। বনান অসিনা মুলদগি খেন্নহনবা ওমদে। হায়রিবদি তাও-মরীংবা হায়রিবসু নত্রগা তাও মন্নেংবা ইরবসু লাইদি মশা অমত্তনি হায়না অহুম থংনৈ। মথক্তা পনখ্রিবা ইরুম নিংথৌগী মিংথৌ (মিশিং) গী মনুংদা তাও-মরাংবা অমসুং তারাওবা হায়বা মিং অসি ওইফম খোক্তবরা অমূক্তা য়েংসি "তাও-মরীংবা, তাও-মন্নেংবা = তাও-মরাংবা = তারাওবা" তাও-মরীংবা, নত্রগা তাও-মন্নেংবা অসিদগী মীওইবগী লোল থৈথরক্লুনা তরাওবা হায়বা অসি ওইরকপা ওইগনি হায়বা অসি মশামা তাজরে।

রাজকুমার সনাহলনা ইবা "সংজ্ঞাল" কৌবা লাইরিক্তসু মাইকৈ ঙাকপা লাই মিপাল—(১) নোংপোক্তা—নোংপোক নিংথৌ ; (২) মৈরমদা—ইরুম নিংথৌ ; (৩) খাদা—থাংজ্রেন ; (৪) সনথোংদা—থাংজীং ; (৫) নোংচুপতা—খোইরিফাবা ; (৬) কৌব্রু লাইটিদা—লোইয়ারাকপা ; (৭) অবাংদা—মার্জীং ; (৮) চিংথৈদা—চিংথৈ নিংথৌনা ঙাকই হায়না পিরি। হায়রিবা লাইশিং অসি মতম অমত্তগী লাইশিংনি। কাংজেরোই মক্তনি। মথক্তা হায়রিবা লাইরিক "সংজ্ঞাল" দা ইরুম নিংথৌদি মৈনি হায়না অমুকসু পিরি।

মৈ কৌবা লাই ইরুম নিংথৌনা ককচিং খুনফম অসিদা লৈবিছনা খা মৈরম ঙাকপদগী মনিপুরনা খা মৈরম হায়বগী মহুত্তা ককচিং মৈরম হায়রনি। মৈ কৌবা লাইনা মৈরমদা ঙাকই হায়বা অসিদি মৈতৈগী লাইহারাওবা লাইরিকশিংদা হায়বা মত্তে। শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরাণসু ৬।৬।১২ দা হায়রি। লোক অসিনা মথা তানা হায়বা অমনা,

মৈদা খোঞ্জেনগী শক্তিস্থ লোয়নৈ হায়রি। ইকম নিংথৌদি মৈ কৌবা লাইনিনা বাক শক্তি (বাগ ইন্দ্রিয়) গা লোযনবা খোঞ্জেনগী মপুনি হায়বা অসিস্থ ময়েক শেংলে।

মৈ কৌবা লাই (ইকম নিংথৌ) হৌজিক কনানা সেবা তৌরি।

মৈ কৌবা লাই (ইকম নিংথৌ) হৈরেম খুনজাল হায়বা কাং-লুপনা লাৎলমই হায়না মথক্তা পনগ্রে। হায়রিবা হৈরেম খুনজান হায়বা কাংলুপ অছুগী মন্নুংদস্থ য়ুমনাক শাগৈ কয়ামুক লৈরমগনি। লাই অসিগী সেবাইৎ ওইরকপা (লাই শঙবগী থবক তৌরকপদি) নোংমাইথেম শাগৈগী পিবাতনা তৌরকই। হৌজিকস্থ শাগৈ অসিগী পিবানা তৌরি। তুংদস্থ তৌগনি। থায়নদগী চৎনরক্রিবা পরম অসিগী হোংদোকপা য়াদবা মরম কয়ামুক লৈ। নোংমাইথেম শাগৈগী পিবানা লাই সেবা থায়নদগী তৌরকই হায়বগী খুদম অমস্থং প্রমান কয়ামুক লৈরি। হৌজিক্তি লাই অসিগী চহিগী ওইবা হয়াও কুমহৈদা শাগৈ ১২ (তরানিথোই) অমস্থং শাগৈ ১২ (তরানিথোই) অসিগী নিংঙোল অমদি নিংঙোল মবাশিংগা লোয়ননা চহিগী থৌরম পাংথোকই। হয়াওবা নত্তবা অতৈ থৌরম পুম্নমক্তা নোংমাইথেম নত্তবা শাগৈশিং য়াও-নরক্তে; হৌজিকস্থ য়াওদে। × × × ×

পাখঙপা লয়েল

ময়াম-চা বুদ্ধিচন্দ্র

পাখঙপা লয়েলগী বাপু হায়কে। তাম্রপত্রপানদগী মপু অম-মপা সিত্রপনা হায়ঙমএ। সিতপা লাইনা চাকসৌ মপীকুম তৎতনা

সৌতমা, লৈপাক সেমপা লাই অতুমা অহক য়ৈথারতুমা; ময়ানা য়োং শুইয়ে চাকাপা কৌএ। চাকাপমা আলোক আলাই পোকএ।

কাইতেঙমপমা য়োংকী সলালুতা চঙনা নোংমরে। নাক্লু অসাং-পনা, থাঙসাং কাপ কথাঙ ওইখিএ। থাঙ মখিংতি হাইকূপ কুপ্লেল ফিলাকথাঙ কৌএ। ফিলাকথাঙ কৌপতি, লৈপাক কনখি লৈচিনপু: নোংথাঙ কুপ্লপকা হাইথোক্লে. নোংথে সেংহল্লে হায়পকী ফিলাকথাঙ কৌএ।

নাক্লু মোইফাংমা থাঙসাং ময়ি শুইখিএ। মপাথাঙ কোংরিপা কৌএ। থঙ অনিমাতি নোংচুপ্পা লৈএ। মপা নামুং শূইএ। তীল সিতপকী মলৈনা, তেমসাপনে হায়না থমলমএ। মতমতি কপো লৈতেং মামপীমে। মখিংতি তলঙ হাইকূপ তলঙ কৌএ।

তীল সিতপকী সাপৈনা পুকপথাঙ কৌএ। পুকফাংথাঙ হাই তলঙ কৌএ। থাঙ অতুতি সা ওইলিপা খৈপীক্তা লৈএ। পামপোম য়েংনা তলঙথাঙ ওইখিএ। চকোংনা থাঙচৌ শুইখিএ। সেংচৌমা কপাকথাঙ তেমসাপা ওইখিএ।

থাংজীংগী থাঙতি তেমসাপামে। অপানপকী থাঙতি পুকনে। সিতপা মপুকী থাঙতি তলঙথাঙনে। মখিংতি কাপাক থাঙনে, তেম-সাপতি থাংচিঙকীমে। কাপাক থাঙতি লাইলেনমা অপামপী সিতপীকী থাঙনে। থোঙাঙালেলকী থাঙতি থাঙজৌমে। থাঙচীংমা মাকী লৈকম তমন্না ইলাংফম মথাদা মথি ফোংলকপকা; চুঙকূপ থাঙকূপ সম্নয়ে; অতুকা চুঙথাঙ য়ান্নমএ। চুংরানকম থাঙরানকম কৌএ।

থাঙ তেৰ্মলাপা মসক অতুপু মালচীংমা বায়থিএ; মোংসাখমতা থাঙ অমু শুক্তুনা মুখিংপু মুকোয়ে; অতুকী থাঙবায় কৌএ।

মালাচীংমা সলাংলৈসাংথেম পোকপা, খমচীংমা কোয়া য়োই-মোংপকী মখিজা মাপীলোক সালে। লাইখুলোমপীনা লাইসনা মঙৈয়ামপী লাইসনা সালে, লাইসনা কৌলে। লাইসনাকা পাখঙপকা থোংনক্তুনা

খুই পোকএ। অসিতকী মুমিৎ মমুংতা লৈএ। মুমিৎ মমুংতকী পা-খঙপা অতুপু; অতিয়া সিতপনা তাওলোয়নাইপু কৌতুনা লুম ওইনা উমথহল্লে। অতিয়ানা য়ংপীলোক সানা য়াঙমএ। লুম পাখঙপা কোক্ত-লিঙে; লাইলেম্মা হেলোয় তলেং, লাইলেম্মা নিফমাপনমনা পা-খঙপপু কোয়না ঙাক্লে। লাইলেম্মা অয়ামপী অতুসিংকী লাই মমাত্তি য়াপীলোক্লে।

চহৈ লীসীং অমা কোল্লে, মপা লৈতে। পোইলৈতোনমুং মাকী খুং অয়াম্পা; থাবালেম্মা লাংবোন য়ামনা মালেম লৈখামুংতা মলো-সানা পাখঙপপু কোকমুনো হায়তুনা লৈখাতা থমপা চাহৈ লীসীং অহুম লৈখাতা লৈএ।

য়াপীলোকী থাঙতি চপথাঙনে। য়াপীলোক্পা চাহৈ চামা মুলপকা তাওলোয়নাইকী চীলেলতকী য়াপীলোক্পা কোকে হায়তুনা; চীলেল খোইলু য়োম্পা কেন্নতুনা কোল্লে। অতুকী সচীকোয় কুমহৌপা কৌএ। মুমিংতি নিংথৌকাপনে। পাখঙপা কোক্লতুনা য়াকালে অতুকী চপ-থাঙপু য়ংকাথাঙ কৌএ। তীলনা, কাঙনা, উচেক্পা, ব য়ানা, সানা, ঙানা য়াকালে হায়পকী হলাও তয়াম্লে; চপথাঙ মনক্পা আমা লোঙ-লে; য়ংকাথাঙ অলোঙপা কৌএ।

লৈপাক্তি তাওলোয়নাইনে; থাবায় মমিনা পোইলৈতোয়ে হায়পা খঙও। য়াপীলোক্পা ফাওলম্পা বানে। চাকোংথাঙ অতুপু য়াপীলোক্পা হংকাম মলু মলম পীক্পা মহক হনচিম্মা; থুংনা নোম্মা লাই খুবাম্মনা উতনা কোল্লিংকী থাঙতি চপথাঙ কৌএ। অহুম্মাতি মুথোক্পা লিন অপীসা ওইলে, লৈপাক্পা মথুল সালে, থুলপীলোক কৌএ। লৈমুংতা লৈলে হায়পকী; লৈমুং লোমচা পাখঙপা কৌএ। লৈমুংতা লৈপা চাহৈ চহুম লৈঙমএ। পাখঙপা কোল্লপতা; নোংখিল লিন ওইএ। অহিং মী ওইয়ে। খাপনা উলোই সঙতা লৈএ। পাখঙপানা লাইসনাপু বোঙনলে। নোংখিলতি লাইখুলোমপী কৌনা; থোঙাবোলতা লৈএ।

অহীংতি পাখঙপতা লাইসনা কৌনা লৈএ। মহক খেংলে; লাই অমপু মহক্তা লোন্না পুলে, লাইখুলোমপী কৌএ। লাইখুলোমপীনা মহক খেংপগী অতুবু মপুঙ কালে। থাবালেন্না মলৌসালে পোইলৈ-তোনপপু কৌখোল্লে।

লৈমুং লোনচ পাখঙপনা পোইলৈতোনকী মী অয়াম্বপপু খোয়ে। থাবালেন্না লা সনাপু পুখোল্লে; লৈমুং লোনচা পাখঙপনা মুল্লে। পোইলৈতোন্না খুংসিনা লৈঙমলে। খমচিংকোন্না কলিপু হায়পনো ? ঈকুতম্বুং মুখিলে হায়না খুমএ। পোইলৈতোন্না অসিতি সিজপতুম ওইলে হায়না তানচিনখিলে।

খমচিংকোন্না চীং ওইলে। চীং অতুপু ককলকপপু তেক্লে, থাঙ-তেক বৌএ। মখুৎ ওইলম সুপতি চীংথাঙ ওইলে। নাথৈতা য়েপলে। য়েংলম সুপতি উমিং অমা ওইখিএ। নুঙ অমম্বুং পাইলৌএ। লাই-সনানা নুমকোনপীতা কো কৌএ। পাখঙপনা লিন ওইনা হৌখিএ। খুইনা কৌনা ঙাকএ। পাখঙপনা মচা খুইপু লাংনকে হায়তুনা লিন ওইনা লাবএ। খাপানা ঈনচিনতুনা, তৌ অমনা পাখঙপা লিন অতুপু হাংলে, মুংচেংতা ঙনচেল্লে। লাইসনানা মচা খুইতা হংএ। ঈপাপু খাপানা লিন অমা লাল্লে হাংলো হায়তুনা হাংলে হায়না খুমপনা; লাইসনা কপলে।

হেলোই তলেংথাকা লোয়ননা মুংচেংতা লোয়খোল্লে, নোংলুম ওইনা লাকঙমএ। লাইসনাকী লোংতা লকঙমএ। ওকসঙতা লাই থায়না কোল্লে নোংলৈসংনা কোনখৎতুনা কোল্লে, কোল্লে কোকসঙ কৌএ। লাইলেল মচীতা কোল্লে হায়পকী লাইলেন কোনপা পা-খঙপা কৌএ। তাঙনা লৈপা থৈপীনা সেল্লে, খঙলে হায়পকী পাখঙ অতেংপা, নোংম্বু নাহা লীহৈপা কৌএ।

নোংমৈম্বুপু খুইকীতম্বা থিচলে পাখঙপগা খুইকা অমতনে। যা-পীলোকা, লাইখুলোমপীকা লাইসনাকা, নোংমোইম্বুকা অয়হানে।

মতীক তাওনা কাওলে হায়রা, মতীক য়াম্না ওল্লে। সনাগেল অমম্পা থরাগেম্না, সনাংলৈসাংথেম পোকপা, খমচিংকে ম্না থোঙ থৈগীকী থোঙ-ঙাকপা, থোঙলৈংগা, হমচপা, মালচীং থেংপা সাপা, সনথোঙ থা-থায়চেং, সনথোঙ অলিপা সাপা কৌপলু নোংপোক্কী নমৈৌমতা নোং-সিং ওইদুপা। নোংসিং মাপু ফাংলোখোমপা সালুপা লাই অমহানে।

থোঙালেল, চিংচাইপা, মোংপোক, থাংচীং, সনালেল, কৌপলেল, থাংপলেল তাওলোয়নাই অসীপনে। কুমিং, মোংপোক অপামপা, পাখঙপা অমহানে। মোংমোইরুপু সানালেল অলিপা থাকপা নৈ ংনিংথে খুই-কীতমক থিচলে। নোংমোইমুপু নৃহে ওপতা থাংচীংতকী মালচীংমী থাঙ তেমসাপা মুমপীলকএ। থাঙ তেমসাপা অতুপু খুইতা লৈলে। থাঙ অতুনা অহীংতা সিন্নাইপা লে য়সঙ মনাক্তা; ঙানফুং ঙানফুং ঙান্না পাইথিতুনা থাঙ অতুনা ঙা ওইলে। খুইনা থঙ অলিপু মতো অমা লৈয়ে ছায়তুনা অহীংতা য়েংলুএ। পইথিতুনা সিন্নাইপা সঙ-নাক্তা ঙান্না সানা লৈওমপু খুইনা য়েংলুইএ। খুইমা থিলকপপু উতুনা; থাঙ অতুনা লৈপাক হুংতুনা য়োইমোংপপু তানখিলে। অতুকী থাঙহুংবা কৌএ। চীংথৈ ফাওপা থাঙনে। থাঙ অতু পাই-খিলে, তায়োনতা তালে; চলোং মলক্তা লৈওমএ তায়োন থাঙতা-পুঙ কৌএ। অসিতকী কোয়না লৈপাক খুতিংতা চংপনে।

হে কাসা নোংথোও! লাই অথোইপা মঙপু খুলুম্না ইলকে। নোংথোউকী মুমিং মলুমকী; অতিয়া সিতপমা তাওলোয়লাইসুং পা-খঙলসুং ফালোথোমপসুং অসি থৈগীকী মলু অমমপা অতিয়া সিতপমা হংকাম মলু মলুম চাওনা নোংলুম ওইনা; লেলকুমপা অতুপু তাও-লোয়লাইপু কৌতুনা; ইহাকমপা লাই অয়ামপসুং মমি অসিতা পীলুঙ হায়তুনা সীথলকএ।

তাওলোয়লাইমা উমথলকএ, নোং ওকুপলীক কৈএ। য়াগীলোয়া য়াঙমলে, মলুম মলু লেলকুমপপু তাইলে, তাইপীলোক কৌএ। য়াগী

লোক্তা লৈনা, তাওলোয়নাইতা পীহল্লে, লোয়রেল কৌএ। চীংকী নমঙাতা মখুল হুৎনা কোল্লে, মহৌ চানমকাই কৌএ।

অতুঙৈতি চোথেতি মৌপী পুঙতা তোংএ। হৌজিক্তি চোথেনা ভোংপতি সমপুম চীংমে। হাওলোক কোম্হৌচমতি চোথেকী মৌপী পুঙতা লৈমন্নএ। সালালেম্না কোম্হৌজম চম্নু থিচলে। সালালেল ঙংপীনা মপাম কোম্হৌচমকী হুইপু সিলে হায়রতুনা; কোম্হৌচম চম্নুনা কপএ, মপামতা কুমলকএ। সালালেম্না তাথীতুনা, কোম্হৌচম চম্নুনা কুমখিঙৈকী লমপী চীংয়াঙ অতু তৌথৎলে,; কুৎনা লৈপনে। চো-থেসিংনা থঙনা লৈপনে।

পাখঙপনা পুলুম তাইপীলোক্তা লৈপকী সালালেল সনখোঙ মপু খমচীংকোম্না মোইলাং লৈপাক সেল্লে। পাখঙপনা লাইলে ওইলে; লাইসনাপু বোংনলে। পুলুমতা লৈপা চাহৈ চাম্রা; তাইপীলোক্তা লৈঙৈতা পাখঙপা লাইসনা অনিমানা; মচা অনি পোকএ। মচা অমতি লাইলেল ওইখিলে। অমতি সনখোঙ মপু খমচীংকোনকী মসক ওইতুনা; হুইকী ময়াম্মা ওইনা য়োইমোংপা কৌলে। অতুকা হুই পোকলে। অতুকা য়াপীলোক্তকী মপা মচা অহুম্মা তমপাক্তা কুম-লে। লই অহুম্মা থোক্লে। য়াপীলোকপু অতুকী লাইথা চাংলৌ কৌএ।

লাই অহুম্না লৈতপকী, য়াপীলোকপু হলাওনপা থাপুঙনা খুং খোংএ। লাই নুলা থৈপীক্লা মুংসিনা মুংনৌনা তাপীলে হায়পকী-তমক মালেম খুংখোং নানৌলোক কৌএ। পাখঙপা, য়োইমোংপা, হুই অহুম্মাপুং অসীপা তাওলোয়নাইনা লমচীংতুনা; চীংঙা লৌখোঙ তলেৎমাকী লাইখোং য়লিন ঈনচন্নকএ। য়াপীলোক্লা লৈলোন লৈমা কৌনা; পুলুম তাইপীলোক্তকী লাক্লপকা; হয়িচকঙৈকী লৈলোন লৈমনা য়াইলেঙপপু অলংপা কৌএ। সঙলাংমৈতা লৈলোন লৈমনা খুংক্লে; খমচীংকোনকা তাওলোয়নাইকা হৌখিলে। হুইস্নুং লিন ওইপা

মুপ্পা পাখঙ্পশুম হনচিনখিল্লে। পাখঙপপু তুপ্পী য়োইনোংতুংও কৌএ।

বায়চীকসী বায়লংকোন কৌপত্রি নোংহুমসঙনে। পাখঙপনা খিন্না ওইনা লাক্লপ্পু হুইনা তৌনা চৈপীলে; নোংথক্ন্তুম তুন্নকে নোংলুম ওইল্লে। নোংসিং মুপু খমচীংকোয়া, মহক্না চীং ওইনা নোংসিংনা তুম্না কোম্লে খমচীংকোন কৌএ। নোংসিংনা নোংলুম অতুপু হুমচিল্লকনা তম্না কোম্লে হায়পকী নোংহুমসঙ বায়চীকসী বায়লংকোন কৌএ। নোংথোতকী নোংহুমসঙতা হাম্না তাইলে, অতুকী পুক্লে তাইপীলোক কৌএ। খুলপীলোক মল্লিনতি, সিন্নাইপা সঙনাক্লে। লৈচেং থোকপা অতুনে।

খমচীংকোয়া যোইমোপা সানা, লৈনাওতাপীপু লাইলোকলেম বৌনা মুঙকোইপীতা চঙখিলে। খমচীংকোন য়োইমোংপতি; সান্না, লেল খাকপা নোংনিংথৌকী মমিনে। য়োইমোংপতি মচীনু থীএ মল্লো চৈএ হায়পকীতমক খাকপা, নোংনিংথোনা তথুক্লে। ইসিং চাওহুল্লে। নিংথোন কাতা লাইলোকলেমপীনা খাকপা নোংনিংথৌপু কিপনা লোম্না লোংলুএ। অতুকী লাইলে ভাংঙোই য়োইমোংপা সানথুপকম অরাং মুংপী চীংতাইলেম কৌএ। অতুকী য়োইমোংপা য়ুমসুংসাং কৌএ। মোংপা সঙবাইতি নোংমোইল্লকী খফম্নে, সাম্নালেলকী খফম্নে। মমিং অয়ামপতি হায়তলিপনে। পাখঙপা লম্লেন হায়পতি অম্লিনে

ককচিং হরাউবা

অরেংবগী থোর্জ্জেদগী

লাই হরাউবা মখল মরীগী মসুঙদা "ককচিং হরাউবা" হু হরাউবা মখলা অমনি। হবাউবা মখল মরী অমিরী-মারকশিংগী মতুংদা মাঙনা

(খেরবা) অহুগী মবমদা খরদং লিংশিল্লগে। খয়াংবা হরাউবগী মীয়াম ককচিং হরাউবা অমুম হায়না খঙৈ। খয়াংবা হরাউবা মতুংদা ককচিংগী অতৈ উমং লাইশিং অসি হরাউনৈ। ককচিংগী অদোংবা শক্তম অহু খয়াংবা হরাউবগী বারী-শিংবুন্দগী ঐখোয়না শঙলা উমী।

খয়াংবা হরাউবা মতম ঃ—কালেন থাদা ককচিং খুলেনগী খয়াংবা হরাউবা চহি খুদিংগী ওইনা পাওখোকই। খুলগী অহল-লমন, মখথো লিংথো তিনহুনা লেপনবা বারেপকী মতুংইন্না কয়াইবা নরালা লাইশংবনা ইকালদা কাহুনা মা কোনুং পণ্ডিত লোইশঙদা লাই হরাউ-নবা বার্ত্তন কৎলুই। পণ্ডিতশিংনা মুমিং-থাথান, তিনচা-লাইচা অকবা রেংহুনা লাইহৌ লাইরোই পীরকই। মাইবা-মাইবী খুলগী ওইবা লৈজরগনা মখোয়না লাই শাদে। লৈত্রকনা পণ্ডিত লোইশঙদা মাইবা মাইবী থারকনি।

'লাইপোৎ ওণ্ডবা'ঃ—লাই বার্ত্তন-তৌবা চৎলিবা মীশিং অহুনা লাইগী মমক বাহোংমতু, লাইগী ফিজেৎ লৈতংমচিংবা কৈথেলদগী লৈরকনি। মহুবু "লাইপোৎ ওণ্ডব" হায়না কৌই। খুলংদা পাও চেখোক্‌নবা হরাউখঙ (রাখোকশঙ) থাংপোক শঙনচিংবা শাগনি।

লৈ-লাংবা ঃ—লাই হরাউবা হৌগদবা মোমদা বাংলিবা লৈবাংবনা (লৈরোই হঞ্জব/হিদং) না পুরুম লোক্তা (চানদেলোমদা) লৈ থিবা চৎকনি। লৈ থিবা চৎকমদাইদা লাইদা ফুরুক শিংগাকতা-রৌনচিংবা কৎকনি। শরুক খবা লৈ থিবা লৈরাংবমা পুরুমদা চৎকনি। লৈরাংবা হঞ্জবা অহু, লৈ কংগ্রিবমইথ বা তাংবা য়াদে। কনাগুম্বা মরুপ মপাং খণ্ডন-চান্নবনা কৌররুবসু খুম্বা য়াদে।

লম্মান থবা ঃ—পুরুম খুল মৌরাপসেক লুপা ২/৩ গম্পহিদাক মনা পান-কা-পী মসিবু লম্মান থাবা কৌই। পুরুমখুলগী খুদাকপা অহল-লমনশিংনা লাইগী লৈলাংবা, অঙ্কিবা মীশিং অহুমরাউ তমানা ওকই। খুল অহুগী মী থবক-ইনখাং চৎখোক্লগদা খুলগী মৌরাপাই

মী অমা পীহুনা লৈ থিবা চৎপদা লমজিংখি। পুকম লোক্লুংদা চঙ-হুনা লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনিগী মুঙ্গারৈ জুরা চপ মান্নবা হৌবা কোয়থি খি। হায়রিবা লৈ জুরা অসি কংগ্রিবমখৈ অতোপ্পা লৈ (লৈ-পাং) হেকপা য়াদে।

কোনরাই থাবা—শিংপাক ঙারৌ কৎপাঃ—লৈ জুরা হৌবা থেংনবা মকম অহুদা লৈ মখোঙ অহু কাক্তোক্লুনা কোনরাই হুল্লগা শিংপাক ঙারৌ কত্তুনা খুরুমগনি। অহুগী মতুংদা লৈ অহু লৈপাক য়াওনা ফুক্লুনা লৈ পোলাংদা যতন তৌনা থমগনি (হাপ কনি)। অহুগী মতুংদা অতৈ লৈ মপাংশিং হেক্কনি। লোক নত্রগা তুরেলনচিংবা ঈশিং মপান্দা উনাশিংনা ফিডং খন্দুনা লৈ অহু থমগনি। মতম অসিদা লৈরোই হুপ্পবা অহু বা ঙাংবা য়ারে। ইরু মাইথক্তরগা চাবা থকপনচিংবা তোবা যাবে।

লাই ফি শুবাঃ—লাই হরাউগদবা নোংমা বাংলিংডদা লাই-শংবনা লাইগী ফিরোল শু-চামহুনা থমগনি। নোংঙাল্লগা লাই হরাউ-গদবা মুমিংকী অযুক্তা মাইবা মাইবী, পেনা পোংবা, পুঙযৈবা দো-লাইরোয়, লারোয়, শিংলোয়নচিংবা লাই ঈকৌবদা চঙগদবা পোৎশক চোঙ, ফিরান, দোলাইনচিংবা শেম-শাহুনা থমগনি। লাইগী ফিরোল শেত্তুনা থম্লবা মতুং মুংখিন্দা মতম চানা অহল-লমন ফমদৌ নিংথৌ প্রজা মীয়াম লাইবুঙদা কানরক্লুনা তিল্লবা মতমদা মাইবা, মাইবী-শিংনা লাইগী থৌগন্দা চঙগদবা লাইপুবা, কাসেন কাগোক, ফিদা, হুমাই পুগদবা, থাঙ, তা, চোঙ, পে, ফিরায়চিংবা থৌগল মপীং শুনা শিন্দুনা থমগনি।

জগোই কৎপাঃ—মাইবীশিংনা লাইদা জগোই কৎলবা মতুংদা দোলাইদা লেঙখত্তুনা থৌগল মপীং শুনা তুরেন্দা কুমগনি। তুরেল য়োরগা মাইবনা কোনরাই থাগনি। খয়োম লাকনি অমত্তুং তৌকপ খোকপা থৌরমশিং পাংখোকনি।

ঈকৌবা ঃ— মাইবা/মাইবী মুপা অহুনা ফিঙৌ শেত্তুনা ঈহাইফু লৈয়োম শরিক শিঙহুনা ঈহাইফু লৈয়োম নোয়হুনা লাইথেম ঈশৈ লাইরোন শক-শোন্দুনা লাই থেমগনি। মসিবু লাই ঈকৌবা হায়না কৌই। ইমা ইবেলশিংনা খুবাক তাম্বা পীহুনা ঈকৌরোন ঈশৈ শক্নি। ঈকৌবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা লাই ঈকাগনি। ঈশৈ শকপীশিংনা ঈকা ঈশৈ শক্নি।

শরেন কৎপা ঃ— লাইবুং য়ৌরক্লবা মতমদা মাইবীশিংনা লাইগী ফিজেৎ লৈতেং অক্ষ-কত্তা শেমজিনগনি। লাইবুদো তৌফম থোকপা মথৌ মঙমশিং তৌরবা মতুংদা শরেন কৎকনি। মতাং অসিদা ফমদৌ নিংথৌ ফম্নাইবশিংগী খাংপোক ফাম্নুদা মাইবনা কোনয়াই হুনগনি। শিংপাক ঙারৌ কৎকনি। অহুগা মাগী মাগী মফমলাংদা ফমগনি। মসিগী মমাংদা কনাগুম্বা মী অমত্তা ফম্নদে।

লৈ-লাংবা ঃ— মতম অসিদা ঙরাং লৈ-লাংবা চংখিবা লৈ-রাংবা হঞ্জবহু মাগী খোঙলোয়গা লোয়ননা লৈ, হৈকক-ৈগরা য়াওনা মানা মাঙ থাহুনা লৈকৎপা লাক্নি। লাইশং য়ৌরবা মতমদা মাই-বশিংনা লৈপোল অহু তরাম্না ওক্নি। লাইমাঙদা থমফম চানা থম্নগা অনম অহা চাওরাক্লা কোক্নি। হঞ্জবনা তাকপা মতুংইন্না লাইনিংথৌ লাইরেম্মদা লৈ-লাংগনি। মথংদা ফমগী মতুংইন্না, অহল লমন খায়না লৈমন য়েনগনি।

লৈ-লাংবগী জগোই ঃ— মতাং অসিদা লৈরাংবা হঞ্জবনা পুন্সি নিজবা ওইনা লাইদা জগোই কৎলি। ঈশৈ শকপীশিংনা ঈশৈ হন-গনি লৈরাংবনা খুম্নগনি। অসুম তৌনা জগোই শাবা লোইরবদা লাইহৌ হুমিৎকী থৌরম থৌদোল লোম্লে। য়াথোক শঙদা ফমদেং-লিবা লাইশিংহু শঙ্গাই লাইশঙদা লেংশিনগনি। + + +

ঙাপ্রেম তানবা ঃ— ঙাপ্রেম তানবা হায়বসি মিকোম থংগোন-বনি। মসিদা মুপা ৫ চংগনি। (১) লিক্লং-তেন পায়বা মী অমা,

(২) কাপ অময়োম শাংবা চৈ মতেক ৭ পায়বা মী অমা, (৩/৪) ফিরাং মত্রগা ঙৌবোং খাও পায়বা মী অনি, (৫) ঙাপ্রুম কাবা মী অনি, অসি চংগনি।

হায়রিবা পোৎশিং অসি লাইদা হাপ্পা কৎকনি। মাইবনা থরাই-মি কোনবগী লাইশোন শোন্দুনা কৎকনি। ময়াম্মা লাইদা খুরুম্নগা লাই শুমাঙদা থোক্কুনা পুঙ শেন য়ৈহুনা চোং-কন্দুনা জগোই শান-শান ঙ প্রুম তানগনি। ঈশৈ শকপীশিংনা ঙাপ্রুম তানবগী ঈশৈ শক্কনি। ঙাপ্রুম তানবদা য়াওরিবা মখোয় মঙামক জগোই শাগনি হায়বদি—খোং নাম-নামনা খোঙকম অনি অনিরক চোংহুনা খোংলোন জগোই শাগনি। মুপী মঙানা থুবাক তাম্বা পীহুনা ঈশৈ শকনি। মখোয় তরা অসি নত্তবা মুপা মুপী খরম্ থুবাক খুহুনা খুৎ-খোংগী জগোই শাগনি। অসুম তৌনা জগোই শাহুনা ঙাপ্রুম তানগনি। অহু থাংজিং মাইকৈরোমদগী হৌরগা লাইবুঙ অকোয়বা অহুদা কোয়না কাররুগা অরোয়বা মতমদা লাইশংদা লোইশিনগনি। জগোই শানা শানা লাইদা কত্তুনা খুরুমজগনি।

মাইবনা মিকোন থাগোন্দুনা লোইশিনগনি। অহুগা য়াথোক-শঙদা ফমদেংলিবা লাই অহু শঙ্গাই অচৌবদা লেংশিনগনি। লাই-শঙবীনা ফিশেং শেত্তুনা লাইশংদা লেপ্তুনা লৈগনি। মাইবা মাই-বীশিংনা লাই অহু শামুখোংপাক্তা লেংখৎলগা লাইশঙবীগী মকোক থক্তা হাপকনি।

থাঙ, তা, চোঙ, ফিরান, কাশেল-কাগোক থৌগল মশীং শুনা থৌগল তৌগনি। কবোক্কা লমলোইগনি। পুঙ শেল য়ৈহুনা ঈশৈ শক্কুনা লাইশঙদা লেংশিনগনি।

মতৌ অসুম তৌনা লাইনুংদা লাই ফমদেংলবদা মপান্দা লাই-শঙদা মীয়াম ফমহুনা মাইবীনা শরিক খিঙহুনা পুঙ শেল তপ্পা তপ্পা

রৈছন। পেনা খোংছন। মাইবনা খেলোন শক্কুনা খুরুমগনি। লাই-য়াম তাইনগনি।

নোংঙাল্লগা মুক্না কাঙজৈ শান্নগনি। ফম্নাইবশিংনা দোল্লাই তোং-ছনা, শগোল তোংছনা মাগী য়াগী কাঙলুপ নাইনা ফমথিল ঈশৈ শক্কুনা থিল্লি।

লোইরবা



অইবগী ফোঙলবা লাইরিকশিং

১।	ফিদম শৈরেং	মমল	লুপা	৫.০০
২।	লোয়রবা শিনয়েন	,,	,,	৫.০০
৩।	মনিপুরী কলাকার ১বা	,,	,,	১০.০০
৪।	মনিপুরী কলাকার ২বা	,,	,,	১০.০০
৫।	মনিপুরী কলাকার ৩বা	,,	,,	১০.০০
৬।	শক্লাইবশিংগী পুন্সি য়ায়ী ৪বা	,,	,,	১০.০০
৭।	শক্লাইবশিংগী পুন্সি য়ায়ী ৫বা	,,	,,	১০.০০
৮।	অরোঙ নন্দকুমার লাইবু নিঙবা	,,	,,	১০.০০
৯।	লাই হরাউবা লাইশোন	,,	,,	৭.০০
১০।	ঈরাৎ লাইশোন	,,	,,	৭.০০
১১।	ফিদম য়ারেং ১বা	,,	,,	১০.০০
১২।	ফিদম য়ারেং ২বা	,,	,,	১০.০০
১৩।	উমং লাই খুন্দা ভোল্যুম ১-২০	,,	,,	৩.০০
১৪।	উমং লাই খুন্দা ভোল্যুম ২১-২৬	,,	,,	৪.০০

থুনা ফোঙলগদবশিং :—

১৫। থল্লাংবা হরাউবা অমসুং লাইশোল (নম্লিবা)
১৬। সোভেনিয়র (৯বা কলাকার সম্মেলন) (,,)
১৭। হরাউ কুম্মৈশিং—ব্রতশিং
১৮। মোইরাং কংলৈরোন লম্বুবা
১৯। পুন্সি লমজিং লাইরিক
২০। লুংলোন থম্বাল
২১। শকোক লম্লেল
২২। মৈহৌরোল শকোক
২৩। মৈতৈ পাউরো
২৪। জ্যোতিষ প্রদীপ
২৬। ধর্ম্মগী মচি

লাইরিক ফংফম :—

১। অইবগী য়ুম—নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকাই, ইম্ফাল
২। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, পাওনা বাজার, ইম্ফাল
৩। কে, রাই, শর্ম্মা বুক এজেন্সী পাওনা বাজার, ইম্ফাল
৪। ও, কে, ষ্টোর পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

লুকমনি প্রেস, উরিপোক ইম্ফালদা কমিটিগী মহৎ শিন্দুনা সম্পাদকনা
ছাপা নম্নগা ফোঙদোকপনি। কপি মমীং—৫০